# নেসনল পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন ডে প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হৌদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন ডেগী থৌরম লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা রাষ্ট্রপতি ভৱন্দা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা পোলিও দ্রোপ পীথক্তুনা হৌদোকখ্রে।

প্রসিদেন্টনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা: হর্স ভর্ধন অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ অস্বিনি কুমার চৌবেসু শরুক য়াখি। জন্যুৱারী ৩১দা চহীগী ওইনা পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিদা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাংশিং পোলিও দ্রোপ পীথক্তুনা পোলিও ফ্রী কন্ট্রি ওইনবা হোৎনদুনা লাক্লি।

লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী থৌরমদা ভোলুন্টিয়ার লাক্ষ ২৪, সুপরভাইজর লাক্ষ ১.৫, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল চিলদ্রেন'স ইমর্জেন্সি ফন্দ অমসুং রোটরিগী মেম্বরশিংনা চাওনা মতেং পাংলি। হেল্থক্যের ৱর্করশিংনা লৈবাক অসিগী য়ুম ক্রোর ২ রোমদা চৎতুনা পোলিওগী হীদাক পীথক্কনি। লোয়নন্না পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী কান্নবা মীয়াম মপূং ফানা খঙহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোক্কদৌরি।

ঙসিগী পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন ডে হৌদোকপগী থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা: হর্স ভর্ধননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী লৈবাক পুম্নদা পোলিওনা অচৌবা চৈথেং পীবগী তাঙ্কক অমা লৈখি। লৈবাক খূদিংমক্কা লায়না মখল অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক চহীগী ওইনা পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী থবক থৌরমশিং চত্থদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু চহী খূদিংগী জন্যুৱারী ৩১দগী হৌরগা পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী থবক থৌরমশিং চত্থরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ১৩দা হাওরাদা পোলিওগী কেস অমা থেংনখি। মদুগী মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পোলিওগী কেস অমত্তা থেংনদ্রি। লৈবাক অসিদা চহী ১০ রোম হেন্না পোলিওগী কেস থেংনদ্রবসু ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তারি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী থবক মপূং ফানা পায়খৎকদবনি।

ইন্দিয়া পোলিও ফ্রী ওইবা লৈবাক অমা ওইরবসু য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পোলিওগী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা অমুক হন্না পোলিও শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মমা-মপা ওইবশিংনা চহী নৌরিবা মশাগী অঙাংশিং পোলিও পীথক্নবা আপীল তৌরক্লি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ অস্বিনি কুমারনসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং পোলিও শুংশোয় শোয়দনা পীথক্নবা আপীল তৌরকখিবগা লোয়নন্না পোলিও ফ্রী ওইবা লৈবাক অমা ওইনা ওইহল্লসি হায়খি।

# লৌমীশিংগী খোঙজং রিপোর্ট লৌরুবা জর্নেলিষ্ট অনী পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): দেল্লী অমসুং হরয়নাগা তায়নবা সিংহুদা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী রিপোর্ট লৌরুবা জর্নেলিষ্ট অনী থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা অহিং অমা দিটেন তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখ্রবা জর্নেলিষ্ট অনী অদুদি মন্দিপ পুনিয়া অমসুং ধর্মেন্দ্র সিংহনি। মখোয় অনীমক অহিং অমা পুলিস ষ্টেসনদা লৈহল্লবা মতুং নোংঙাল্লগা থাদোরকখিবনি। মন্দিপ পুনিয়া কেরাভান মেগজিনগী ফ্রিলাঞ্চ জর্নেলিষ্ট ওইনা লৈবনি। মহাক ঙসি অয়ূক টিহার কোর্ট কমপ্লেক্সতা মেজিষ্ট্রেট মমাঙদা পুথোকখি। মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা আই পি সিগী সেক্সনশিং চার্জ তৌরি।

জর্নেলিষ্ট অনী দিটেন তৌবগী থৌদোক অসি নেসনল কেপিটেলদা পুলিসনা রাজদিপ সরদেসাই য়াওনা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট খরগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টার তৌখ্রবা মতুং থোকখিবনি। রিপব্লিক ডে নুমিত্তা নেসনল কেপিটেলদা চৎখিবা ট্রেক্টর রেল্লিগা মরী লৈননা জর্নেলিষ্টশিংনা লৈবাক্কী মিংচৎ থিহনবা য়াবা ৱা ঙাঙই হায়না পুলিসনা চার্জ তৌখিবগা লোয়নন্না সিনিয়র জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবনি।

নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা কোংগ্রেস এম পি সচি থারুর অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লৌমীশিংনা য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক থৌওংশিং চত্থখিবা অদু সেন্টরনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীখ্রবনি। লোয়নন্না নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়ামদা মরিক চুল্লা পাউদল্লুবা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরক্লিবা অসি ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনগী রাইট মাঙহন্নবা হোৎনবনি।




রিপব্লিক ডে নুমিত্তা থোকখিবা পুলিস অমদি লৌমী খোঙজংলোইশিং মুক্নবগী থৌদোক অদুদা লৌমী অমা শিখি। জর্নেলিষ্টশিংনা পুলিসকী কা-হেনবা থৌওংদা লৌমী খোঙজংলোই অদু শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা দেল্লি পুলিসনা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টার তৌখিবনি।

নুমিৎ অদুদা দেল্লী পুলিসকী মায়কৈদগী অহেনবা এক্সনশিং চত্থখিবা লৈতে। লৌমী খোঙজলোইশিংনা পুলিসতা থাঙ য়াওনা অতোপ্পা অশি-অনা থোকহনবা য়াবা খূৎলায়শিংনা এটেক তৌরকখিবনি। মীয়ামগী খল্লগা দেল্লী পুলিসনা লৌমীশিংগী এটেক অদুদা মশা শোক্তনবা হোৎনদুনা লৈখি। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা সেন্টরগী দিরেক্সন মতুং ইন্না দেল্লী পুলিসনা লৌমীশিংগী মথক্তা অহেনবা থবক থৌওংশিং চত্থখি হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি অমদি পাউ অদুনা দেল্লী পুলিসপু মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টার তৌখিবনি হায়না দেল্লী পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

নাকল অমরোমদা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা দেল্লী পুলিসনা এফ আই আর রেজিষ্টার তৌখিবা অদুবু এদিটর্স গীল্ড ওফ ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না রিপব্লিক ডে নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা জর্নেলিষ্ট অমত্তা নাকল নামত্তগী ওইবা মীৎয়েংদা পাউদমখিবা লৈতে হায়রি।

খোঙজংলোই অমা শিখিবগী মতাংদা জর্নেলিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখিবা তোঙান তোঙানবা ভিদিওশিংদসু ময়েক শেংনা উৎলি হায়না এদিটর্স গীল্ড ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# মিদ ডে মীলগী স্কিম অমুক হৌনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা মতম শাংনা থিংজিন্দুনা লৈরুরবা মতুং অমুক হাংদোক্তুনা মথৌ তৌবা হৌরবনিনা মিদ ডে মীলগী স্কিম হৌনবা য়ু এন ফূদ এজেন্সিনা খঙহনখ্রে।

স্কিম অসিগী মতুং ইন্না লাৱর ক্লাসতা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা মতম মতমগী মতুং ইন্না অশাবা চানবা পোৎলমশিং পীজদুনা লাক্লি। য়ু এন ৱর্ল্ড ফূদ প্রোগ্রামগী দিরেক্টর বিশো পারাজুলিনা ফোঙদোকখিবদা, স্কুলগী অঙাংশিংদা লোকদাওন লাকখিবদগী গভর্ণমেন্টনা মচী ওইবা চীঞ্জাকশিং পীজবগী থবক লেপ্তুনা লাকখিবা অদু মখা তানা অমুক হৌনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা তম্লিবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা অঙাং মিল্লিয়ন কয়া পীজ-পীথক তৌরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা স্কুলশিং থিংজিনখিবদগী অঙাংশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজনবগীদমক য়ু এন ফূদ এজেন্সীগী মায়কৈদগীসু অঙন্বা শেন্থং মতেং পাংগনি হায়না পারাজুলিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পঞ্জাব সি এম অমরিন্দরনা ওল পার্টি মীফম কৌখ্রে

চান্দিগড়, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা ফার্ম লো ৩গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংগা মরী লৈননা রিপব্লিক ডে নুমিত্তা দেল্লীদা চৎখিবা ট্রেক্টর রেল্লিদা পুলিস অমদি অতোপ্পা মীওই খরনা লৌমীশিংবু ফূরকখিবা অদুবু পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না লৌমীশিংগীদমক্তা মখোয়না লেপ্লি হায়বা উৎনবগীদমক ওল পার্টিগী মীফম অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পূং ১১ তাবা মতমদা পঞ্জাব ভৱনদা ওল পার্টিগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দরনা, ষ্টেট অদুদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মশা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন মতম খরগী থাদোক্তুনা লমদম অদুগী লৌমীশিং কলহৌনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপীল তৌখি।

রিপব্লিক ডে নুমিত্তা সিংহুদা লৌমীশিংগী মথক্তা এটেক চত্থরকখিবা অদু পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা হকচিন্না লৌই। লৌমীশিংনা ঈংনা তপ্পা চৎলম্বা রেল্লি অদু খঙহৌদনা য়ৈখায় থিনগায়বরোমদা ওন্থোকখিবা অদুগী মরুমদা মীওই খরগী খূৎ য়াওরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না সেন্টরনা লৌমীশিংগী দিমান্দ অথুবা মতমদা পীথোক্নবসু তকশিনখি।

# লৌমীশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎলবদি পি এমগী ফিরেপ ইকায় খুম্নগনিঃ নরেস



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী লৌমীশিংবু গভর্ণমেন্টনা ইকায় খুম্নবা উৎলবদি লৌমীশিংনসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌরকপা ফিরেপ ইকায় খুম্নবা উৎকনি হায়না লৌমী লুচিংবা নরেস টিকেতনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংনবু পাম্লবদি মতম অমদা হেক্তা ৱারী শানবা সেন্টরনা শেম-শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৌমী লুচিংবা অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টিকেতনা ফোঙদোকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা মপূং ফানা ৱারী শানবা হোৎনবদা লৌমীশিংনসু পূক্নিং থৌগৎকনি। অদুবু ৱারী শানদ্রিঙৈ মাঙওইননা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লৌমী খোঙজংলোইশিং হান্না থাদোরক্কদবনি। পুলিসনা ফাজিনখিবা লৌমীশিং থাদোরক্লিবা ফাওবা গভর্ণমেন্টকা হীরম অমত্তদা ৱারী শারোই হায়রি।

লৌমীশিংনসু হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা পাম্মী। প্রেশর অমত্তগী মখাদা লৌমীশিংনা কন্দিসন অমত্তা য়াবা ঙম্লোই। হৌখিবা জন্যুৱারী ২৬, রিপব্লিক ডে নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদু লৌমীশিংগী অপাম্বা নত্তে। শান্তি ওইনা চৎলম্বা লৌমীশিংগী রেল্লিদা য়ৈখায়-থিনগায়বা থোকহনখিবা অদু লৌমীশিংগী খোঙজংবু মশক থিহন্নবা হোৎনবা মীওই কাঙলুপ খরনা শীনবনি।

ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংথা অনী হেন্না দেল্লী ঙমখৈ শরুক্তা কেম্প তৌদুনা লৈরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লৌমীশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হন্দুনা হান্নগুম লৌ-শিংউগী থবক তৌবা পাম্লবসু গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী দিমান্দ পীথোক্তবনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি।

লৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মচু অহুমগী ফিরালবু ইকায় খুম্নদবা য়ারোই। মসিগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা মতম চুপ্পদা লেপ্লি। নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দেল্লী পুলিসনা লৌমীশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস ৪০রোম রেজিষ্টার তৌখ্রে অমদি মীওই ৮০ হেন্না ফাজিন্দুনা থল্লি।

দেল্লী পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লৌমীশিং থাদোরক্লবা মতুং লৌমীশিংনা গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না লৌমী লুচিংবা নরেস টিকেতনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এন আই এনা থিজিল্লগনি

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ন্যু দেল্লীদা লৈবা ইজরেল এম্বেসি মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু নেসনল ইন্টলিজেন্স এজেন্সি (এন আই এ)না থিজিল্লগনি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা নাকলদা খামদুনা লৈরম্বা কার খরগী মিংশেল কায়খিবা নত্তনা অশোক অপন অমত্তা থোকখিদ্রবসু এম্বেসিগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা সেন্টরনা হকচিন্না লৌরি। থৌদোক অদু এন আই এদা ইনভেষ্টিগেট তৌনবা শিন্নখ্রে হায়রি।

সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থিজিনবা হৌখ্রে। এটেক অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

ইজরেলি ইন্টলিজেন্স এজেন্সি মোসাদসু থিজিনবগী থবক অসিদা য়াওগদৌরি। আই ঈ দি অদু প্লাষ্টিক বেগ অমনা য়োল্লগা বিজয় চোকতগী কিলোমিটর ১.৪ লোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা হৌবা উ পাম্বী অমগী মখোঙদা থল্লম্বনি।

দেল্লী পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লুবদা ইরানন্না ইজরেলদা মেসেজ অমা পীনবা হোৎনবা ওইরম্বা য়াই হায়না দেল্লী পুলিসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ইজরেলি এম্বেসেদর রোন মালকানসু থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়নন্না থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখি হায়রি।

# খোঙজং শৌগৎনবা অহেনবা লৌমীশিং থুংলখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): দেল্লীগী ঙমখৈ শরুক্তা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী খোঙজং মখা তানা চত্থখিগদৌরি অমদি খোঙজং হেন্না কনশিন্নবগীদমক অহেনবা লৌমীশিং ঙমখৈগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা থুংলখ্রে হায়রি।

লৌমীশিংনা দেল্লী ঙমখৈগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা নুমিৎ ঙসিগা থানা ৬৭ শুখ্রে। হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা অনৌবা ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অসিগী লৌমী লিশিং কয়া খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম রিপীল তৌনবা অমদি লৈবাক অসিগী লৌমী খূদিংমক্তা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহন্নবা দিমান্দ তৌরি।

সেন্টর অমসুং লৌমীশিংগা হীরম অসিগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী হৌখিবা জন্যুৱারী ২৬, রিপব্লিক ডে নুমিত্তা লৌমী লিশিং কয়ানা দেল্লীগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা ট্রেক্টর রেল্লি চৎখি। ঈং-তপ্পা চৎলম্বা রেল্লি অদু খঙহৌদনা য়ৈখায় থিনগায়বদা ওন্থোরকখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং হৌজিক হৌজিক লৌমী লিশিং কয়ানা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেন্টরনা অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌখ্রে। লৌমীশিংগী ওইনসু মখোয়গী খোঙজং মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক কেম্প তৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদা লৌমী কয়া মখা তানা থুংলবা হৌরে হায়রি।

ঙসিসু দেল্লী-য়ু পি ঙমখৈ শরুক্তা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা কিষাণ এক্তা জিন্দাবাদ অমদি জয় জৱান জয় কিষাণ হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি। লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবফাওবা মখোয়গী খোঙজংদা অহোংবা অত্তা লৈরোই হায়না লৌমী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম য়েংজরি, মহৈ-মশিং, পক্নবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষ্য, থবক মফম, সরকারগী থবক, করবার, লন-থুম, শেল পুথবা, য়ুম-ইখোল, গাড়ী, য়ূম্বাল-কৈবাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, হকচাংগী ফত্তবা মরম, এক্সিদেন্ট, মরুপ য়েক্নবা, মাংনবা তৌবা অসিনচিংবা কুঠি অমদি খূবাক ময়ীদগী য়াম্না কুপথনা য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা ঙমদবশিংগীসু Whatsapp কী খূখাংদা, online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা। হান্না পাউ লৌবীয়ু।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Mobile No: 9077188456
HL-B/6632/19/12-14/02(alt)

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অশোক কুমারবু থাগৎচরি



ঐগী চহী অমা শুরবা অনাবা CASE L4/L5/ S1 লেংজুম ওই থংবদা চিকপা-নাবা কুইনা খাঙখি। অনাবা অসিনা মরম ওইদুনা লেং-ওৎপা য়াদবা থবক তৌবা ঙমদবা, চৎথোক-চৎশিন ঙমদবা, ফন্বা ঙমদবা অসিনচিংবনি। অদুবু ASHOK KUMAR HEALTH CARE, PALACE COMPOUND, I/E # 8119920680 দা নুমীৎ ২৫নি লায়েংবদগী অৱাবা পূম্নমক ফহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙন্বা ওইবীয়ু।

Sd/- K. Jogin Meitei
Moirangkampu Sajeb Makha Leikai
HL-P/8739/1

## ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*


*(অঙৌবা পকপা)*
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
*(তাং-তাং চিকপা)*
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
*(নুংশং)*
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*
পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*
*(নুপাগী প্রোব্লেম)*
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নন্না কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
*(নুপীগী প্রোব্লেম)*
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
*(শমগী প্রোব্লেম)*
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

### HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

### HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**
HL-B/6671/5/1-3/2

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, চাবা-থকপা য়াদবা, লোক খুবা ঙমদবা, খনাও মনুংদা চিক-চিক লাওরগা খনাও মনুংদা চাথৎপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, চাবা-থকপা য়াদবা, লোক খুবা ঙমদবা, খনাও মনুংদা চিক-চিক লাওরগা লৈবা, খনাও মনুংদা চাথৎপা, খনাও মনুংদা নাই চারগা য়াম্না থুপ্পা, খাঙবা ঙমদবা, খনাও মরেং-মরেং চৎপা, খনাও মনুংদা হাকচিরগা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, খনাও মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, চাক য়োৎথবা ঙমদবা অদু MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8575814720 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙন্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCPur : 7.00 a.m. to 4.00 pm.

HL-P/8549/01 *থাগৎচরিবা :* Khaidem Rishikanta Singh, Airport

## ꯅꯨꯡꯁꯪ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6656/31/12-30/01

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / খোঙ য়াম্না তোয়না-তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বা মতমদা মনাঙ য়াওরকপা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হানিংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, চাক চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা অমদি করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, থজিন শাউগৎপা, চাকখাউ শোকপা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, ঈশিং চৎপদা মতম কুইনা চঙবা অমদি ঈশিং চৎপদা শাবা, লৈকাইগী অশেন্বা হীদাক চারুবদগী খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6718/1 *থাগৎচরিবা :* N. Dhiren Meitei, Wabagai

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / খোঙ তোয়না-তোয়না মচিৎ-মচিৎ হান্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্নিংলকপদা খাঙবা ঙমদবা, চাক চাবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাওরগা লৈবা অমসুং চক-চক থিল্লকপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।



ঐ নুংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না-তোয়না মচিৎ-মচিৎ হান্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্নিংলকপদা খাঙবা ঙমদবা, চাক চারগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা অমসুং চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, চাকখাউ নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, ঈশিং চৎপদা ঈশিং মরীদা শাবা, থুপ্পা অমদি মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোঙদা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, ফন্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা, হকচাং চিকপা-নাবা, লৱাই অমদি খোঙয়া শাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8702/1 *থাগৎচরিবা :* M. Tomba Singh, Thoubal

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ঙমখৈ লৈতনা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা পাইলসনা মরম ওইরগা চহী ২ অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংগী হীদাক চাদুনা য়েংলবসু পৈশাদা তিংজখি, অনাবদি ইফ-ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ওজা কবিরাজ Abdul Haque, Contact No. : 8794429681 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা নুংঙাইতবশিং : খোঙ হান্বদা শৌজ তারকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ তারকপা, শৌজদা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক নুংশিৎ কাবা, খেগৎপা, অমাংথোঙদা চিকপা, থুপ্পা অমদি শাবা তৌবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে ওজাগী হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী। মরম অদুনা লজা অবদুলবু পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* S. Brojen
Langthabal Lep Awang
HL-P/8536/01